ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯲꯸, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯸꯲ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, সেপ্টেম্বর ২৮, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ১৮২শুবা মশীং

## কাল্লে ফূ কান্দ্রে ফূ
### মীয়াম্না শিং নান্না খঙবনি

মনেম ফত্তবীনা অউনপোৎ য়াম্লত্তঃবদগীনি খঙদে, মশানা খোইদাজনা থিজরুবা মমৌ ওইখিদবনি খঙদে, ঙাই-শেনগী মরক্তা নুংঙাইনখিদবদগী ওইরবসু মৌ অমদা য়েংশিল্লগেদো হায়না য়েংশিল্লক্লবদি মৌদুগী খোঙথাং খুদিংমক য়েংশিনবা ঙম্মী। তপ্না-ঈংনা অমসুং থোৎনা মেংনা থবক তৌরুরগনা লুহোং-খোঙথাং তৌদুনা লৈ, মী ওইরোই হায়দুনা চৈবি-ঙাঙবীবা য়াই। থবক-ইনখাংদা খোঙজেল খরা থুনা য়াঙনা তৌরুরগনা হিংচাবীগী শউম চেনবীনি, ইমুংদা লন-থুম চঙলক্লোই হায়দুনা চৈ থাংবীবা য়াই। ইশম-শম্বদা অশোয়বা, অরানববু থিজিল্লগে/য়েংশিল্লগে হায়রবদি ফংদবা লৈরোই। ফূরগে হায়নবু খল্লক্লবদি কাল্লসু ফূনি, কান্দ্রসু ফূবগী থৌদোক অদুম্মক থোকহনবদা অরুবা নত্তে। অদুবু হায়রিবা থৌদৌসিমক লৈঙাক্লা, পান্রর পায়রিবশিংনা কেগেদা ইনিং, মোইরাংদা ইখা হায়খিবা অঙোম নোংবানদৌনা চথরকপদি চুন্লোই। ঙম্মী হায়দুনা তৌখিবদি য়াই, তৌবসু য়াওখ্রে। অদুবু তৌরোইদবা অমসুং তৌফম থোক্তবা থবকশিংদু তৌরুবদা মীপূম তিংনা খঙখিদবদি য়াই। অদুবু মীওই খুজোক খরদা ওইরবসু অখঙবা মীওই শোয়দনা য়াওগনি। মরম অসিনা অসিগুম্বা থৌদোক মচা-মচাশিংদুনা য়ামশিল্লক্লগা তরাগী চৈশুনা লেংথোং ফাই হায়দুনা পোৎ’মা ফাজিল্লক্লগদি লুমথরক্তুনা ননবা শোয়দবনি হায়বসি কাউদবা ফৈ। মণিপুর য়াম্না পীকই। অমনা তৌবা অমখক্তুনা খঙবদগী হেন্দোরক্তুনা মীপূম তিংনা শিং-নান্না হেক্তা খঙনবনি। কাংথোক্লরক্তুনা ৱা-ৱা লাওবা/লাওনরক্তবা হায়বদুনা ৱা অমনি।

অসিগুম্বা মনম নাইবা/চেনবা থৌদোকশিংগী মশীং য়ামখৎলক্লে। মসিদি অচুম্বা থৌওং নত্তে। মখা তানা থোকহল্লক্তবা চুমগনি। পান্রর পায়রে হায়দুনা কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখল মমাঙদা টর্ম অহুন্নক লৈঙাক পায়রকখিবা পার্টিদুনা মীয়ামগী থবক থৌরম কোকথোং অমা তৌরম্মী হায়রগসু হৌজিক মণিপুরগী পোলিটিক্সকী কাঙ্খুলদগী মুৎপগী ফীভমদা লাক্লিবসিনা অচৌবা পারা অমা ওইহন্নীংই। অদুনা লোইনা কোৎথোক্লুদ্রবসু হন্দক মণিপুর পোল্ল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দতা থোরক্লিবা থৌদোকশিং অসিবু করিনো? চৎলিবা কুমজাসিগী ফেব্রুৱারী ২৮ অমসুং মার্চ ৫দা তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোকপা ১২শুবা ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনদা বি জে পিগী এম এল এ ৩২ কাবনি। মশীং ৩২না পূক্লিং লূম্বা ৱাৎপদগী হান্নদগী চৎমিন্নরকপা এন পি এফকা খূৎশম্নদুনা লৈঙাক পায়মিন্নরকপনি। অদুগা মমাঙদা খূৎশম্ননা চৎমিন্নরকখ্রবসু হন্দক্কী অনৌবা লৈঙাক শেম্বদা হৌবিরমদ্রবা এন পি পিনা শৌগৎলকপনি। ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ ৩গী মনুংদগী অনীসু চেনশিন দুনা শৌগৎলুবনি। এম এল এ ৬ কাবা জে দি-য়ুসু চুম্না শৌগৎলম্বদগী এম এল এ ৫ বি জে পিদা চোংশিন্দুনা ওনশিনখিবনি। রুল্লিং পার্টিদা য়ামখৎলক্লিবা এম এল এশিং লোইনমক মিনিষ্টরগী ফমদি থিন্দোকপা কোন্নদবনিনা বি জে পিদগী হান্না একোমোদেট তৌনবা হোৎনরকপদা লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা সোসাইটি/এজেন্সী/কোর্পোরেসননচিংবগী চ্যেরমেনশিং ওইহল্লকখিবনি। মসিদা মণিপুর পোল্ল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকীসু বি জে পিগী এম এল এ অমবু চ্যেরমেন ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীরকপনি। অদুবু হান্নগী চ্যেরমেনদুগী মতম লোইদ্রি, অনৌবা হাপচিল্লকপা য়াদে হায়দুনা হায় কোর্টতা চেলেঞ্জ তৌরকপদগী কোর্টনা লৈঙাক্কী ওর্দরদু চৎনহনখিদবনি। অদুম ওইনমক কাল্লে ফূ, কান্দ্রে ফূগী ফীভমদা হান্নগী চ্যেরমেনদু রুলগী করিগী ৱা নত্তনা লৌথোক্লগা মহুৎ শিল্লগে হায়বনিনা নহানমখৈ তৌরমদ্রবসু হান্নগী চ্যেরমেনদুগী মথক্তা শো কোজ নোটিস ইস্যু তৌখ্রে। মসিগী চপ চাবা পাউখুম পীরবসু মরী লৈনবনি হায়বা রুল পুথোরক্তুনা থবক্তগী লৌথোকখ্রে। অঙম্বনা তৌবনি, মীয়াম্না খঙবনি। তোয়শিল্লক্লদি পোলোইদা কুম্মৈ তানি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫০

১) **“মণিপুর গৌর লীলা”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

২) E.F. Watling না ইংরাজিদা হন্দোকপা, The Theban plays, Penguin Books, 1947 তা ফোঙখ্রবা King Oedipus তগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) **“মনোরমা”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৪) **“অপীকপা নুংশা শ্বর”** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

৫) **“ঐনা ঈশৈ শক্লগা শক্লিবা/ঐনা লাউরগসু লাউরিবা/ফনা মান্নরি ঐগী খোন্দাগসু/কনানো শকউদবা নহাকপু”** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগী লৌথোকপনো ?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নোবেল প্রাইজ ২০২২ : অলফ্রেদ নোবেলগী অরোন-অথুপ খরা

শরৎ ঋতুনা লাকখিবগা ইরোয়ননা নোবেল প্রাইজগী মকুম-মথাসু লাক্লে। মালেমগী খ্বাইদগী শীংথানীংঙাই ওইরিবা প্রাইজ অসি লাক্লিবা ওক্টোবরগী ৩দগী হৌরগা মথং মথং লাউথোকপা হৌরগনি। কনা কনানা মালেমদা খ্বাইদগী শীংথানিংঙাই ওইবা থবকশিং পাঙথোকখিবগীদমক চহীসিগী ওইনা প্রাইজ অসি পীগদৌরিবনো হায়বদু খঙবা ঙল্লগনি।

নোবেল প্রাইজ করিনো, কনানা হৌদোক্লম্বগে অমসুং করম-করম্বা লম্‌শিংদা পীবগে হায়বসি মীয়াম পূম্নমক্না ইখঙ-খঙনরবনি; অদুবু অলফ্রেদ নোবেল অমসুং নোবেল প্রাইজ অসিগী মরমদা মীয়াম্না ইখঙ-খঙনদ্রিবা ৱাফম খরসু লৈরি। মখোয়সিগী মরমদা খঙজিনবা হায়বসি কান্নবা অমা ওইবদা নত্তনা নুংঙাইবা পোকপসু য়াই।



অলফ্রেদ নোবেলগী টোম

**খোরিরোলদা অলফ্রেদ নোবেল** - অলফ্রেদ নোবেল নহা ওইরিঙৈদগী খোরিরোলদা ঙাওজরকখি, অদুবু চাংয়েংশিং পাঙথোকপা, শেল-থুমগী চৈথেং, লৈবাক অমদগী লৈবাক অমদা কোইনা চৎতবা য়ারকখিদবা অমসুং খুমাঙ চাওশিল্লক্লিবা ইন্দষ্ট্রিদা হেন্না পূক্লিং লুপশিনখিবনা, খোরিরোলবু নাথৈবগী ফীভমলোমদা লাকখি। লোল তরুক - ইংলিস, স্বিদিশ, ফ্রেঞ্চ, রসিয়ন, জর্মন অমসুং ইটালিয়ন - ফজনা খঙখিবা অলফ্রেদ নোবেলনা শৈরেং, ৱারী মপুম (নোভেল) অমসুং দ্রামানচিংবা কয়া ইরম্মী। মহাক্কী শৈরেংশিংগী মনুংদা, ওটোবাইওগ্রাফি ওইনা লৌনরিবা, নুংশিজরবী কনাগুম্বী অমদা কথোকচখিবা, “You say I am a riddle” [You say I am a riidle – it may be/for all of us are riddles unexplained./ Begun in pain, in deeper torture ended./This breathing clay what business has it here? …] হায়বসি শীংথানীংঙাইনি। শৈরেংসি মহাক্লা পেরিসতা অহানবা চৎখিবা কুমজা ১৮৫১দা ইখিবনি অমসুং মসিনা রোমান্টিক আইদিএলিজমগী ফজরবা মহাউ অমা পীরি। মহাক্কী শৈরেং কয়ামদি লোইশিন্দনা থনম্মী, অদুগা লোইশিল্লগা থল্লম্বা অশাংবা শৈরেংশিংদি অয়াম্বনা ‘ব্লেঙ্ক ভর্স’ শিংনি। মশাগী লাইব্রেরিদা ১৯শুবা চহীচাগী অফাওবা অইবশিং, ক্লাসিকশিং অমসুং ফিলোসোফর, থিওলোজিয়ন, হিষ্টোরিয়ন অমসুং অতোপ্পা সাইন্টিষ্টশিংনা ইরম্বা লাইরিকশিংগী ভোল্যুম ১৫০০দগী হেন্না থনম্মী।

### সাইন্সকী খোঙচৎ
### কুঞ্জো নাওরেম



অলফ্রেদ নোবেল

মাঙগী লম্বীনা তেনশিল্লক্লবা, ইনভেন্সন অমসুং বিজিনেসতগী অহেনবা পুংজানা ফংলক্লবা মতমদা, Patent Bacillus (১৮৯৫) হায়রিবা কমেদি অসি ইখি অমসুং Nemesis (১৮৯৬) ফোঙদোক্লম্মী। নেমিসিস হায়রিবা ত্রেজিদিসি এক্ট মরি য়াওবা ইটালিয়ন নোবলৰুমন Beatrice Cenci গী পুন্সিদা য়ূম্ফম ওইবনি। বিট্রিচ চেনচিকী অপোকপা কাউন্টফ্রান্সেস্কো লমচৎ চুমদবা অমসুং মচাশিংবু ওৎ-নৈবা মীনি; মহাক্লা বিট্রিচ চেনচিবু কয়ারক হন্না ঈজৎ মাঙহনবীখি। ফ্রান্সেস্কোগী মীওৎ-মীনৈশিংদগী কঞ্জনবগীদমক বিট্রিচ, মহাক্কী মবুং অমসুং মৌপ্পা (পোকমিন্নদবা), মমাতোম্বী অমসুং মীনাই অনীনা ফ্রান্সেস্কোবু হাৎখি। মসিগীদমক বিট্রিচ য়াওনা মখোয় পূম্নমক শিবগী দন্দি পীখি। অলফ্রেদ নোবেলনা ইরম্বা ৱারী মপুমশিংগী মনুংদা *Ijusaste Afrika* (In Brightest Africa, ১৮৬১ অমসুং *Systrarna* (The Sisters) পনবা য়াই। কুমজা ১৮৯৫গী *Nobel's will* দা পল্লম্লিবসিদা মহাক্লা খোরিরোলবু নুংশিজবগী চাউরবা মমি তারি: প্রাইজশিং অসিগী মনুংদগী অমদি “the person who shall have produced in the field of literature the most outstanding work in an ideal literature” দা পীগদবনি।

**অলফ্রেদ নোবেলগী নুংশি-নুংওন** - অলফ্রেদ নোবেল কনাগসু লুহোংখিদে, অদুবু নুপী অহুমখক্না নুংশি মরীদি লৈনখি। অহানবা নুপীসি রসিয়ননি Alexandra কৌই; অদুবু মরীসি ইকুই কুইদনা তৎনখি মরমদি অলেকজান্দ্রোনা মহাক্না লুহোংবা পামখিদে। কুমজা ১৮৭৬তা ওষ্ট্রো-বোহিমিয়ন কাউন্টেস Bertha Kinsky না অলফ্রেদ নোবেলগী সেক্রেটরি ওইরকখি অদুগা নুংশি মরী থম্নরকখি। মরীসিসু তেনখি, অদুগা কিন্সকিনা মহাক্না হান্না নুংশিনরম্বা নুপাদুগা লুহোংখি। নুংশি মরীনা তৎখ্রবসু, চিঠিগী মরীদি অলফ্রেদ নোবেলনা শিদ্রিফাওবা লৈনখি। সাইন্সতগী থাপ্লপ্না লৈরিবা ‘পিস প্রাইজ’ পীবগী মতাংদা নোবেলগী উইলদা পল্লম্লিবসি কিন্সকীগী থৌইনশিন য়াওখি হায়না লৌনৈ। মতাংসিদা পল্লম্বদা হেন্না নুংঙাইরিবদি, বর্থ কিন্সকিবু “মহাক্কী শিংথানীংঙাই ওইরিবা পিছ এক্টিবিটিশিং” গীদমক কুমজা ১৯০৫গী নোবেল পিছ প্রাইজ পীদুনা ইকায়খুম্নখিবা অসিনি। কুমজা ১৮৭৬তা শকখঙনখিবী Sofija Hess কা অলফ্রেদকা চহী ১৮ চূপ্না নুংশিনখি, অদুগা হেস অমসুং অলফ্রেদকী মতাংদা নুংঙাইরবা ৱারী অমসু লৈরি।



অলফ্রেদ নোবেলগা নুংশি মরী লৈনখিবী অমসুং নোবেল পিছ প্রাইজ পীননবগী ইথিল পীখিবী বর্থা কিন্সকি

**অঙ্কদা নোবেল প্রাইজ পীদ্রিবা করিগীনো?** - অসুম্না হায়নৈ : অলফ্রেদ নোবেলগা চহী ১৮ চূপ্না নুংশিনজখিবী নুপী শোফিজা হেসনা মালেমগী অফাওবা স্বিদিশ মেথমেটিক্সিয়ন, Gosta Mittag-Leffler (অতোপ্পা মেথমেটিক্সিয়ন ওইনা হায়নবসু য়াওই) গা নুংশি মরী লৈনরকখি। অদুনা করিগুম্বা অঙ্কদা প্রাইজসি পীরম্বা তারবদি Mittag-Leffler না প্রাইজসি ফংখিবা য়াই হায়বগী অকিবদু লৈখিবনা অলফ্রেদ নোবেলনা মাগী উইলদা, অঙ্কদা নোবেল প্রাইজ পীনবগী মতাংদা পল্লমদে। অদুবু মসি অচুম্বা ওইরোই হায়না অখঙ-অহৈশিংনা মত পীনৈ। মরমদি পুৱারীদা মসিগী লংলা-লংজিন ফংবা ঙমদে।

অঙ্কদা নোবেল প্রাইজ পীরমদবগী ওইথোকপা য়ারিবা **অতোপ্পা মরম অমনা :** অলফ্রেদ নোবেলসি অঙ্কদা কয়া খোয়জংদবা মীনি অদুগা অঙ্কনা মীওইবগী খুন্নাইদা হকথেংননা কান্নবা পী হায়বসি মহাক্লা থাজখিদে। নোবেল প্রাইজ অসি মীওইবা খুন্নাইদা খ্বাইদগী কান্নবা পী হায়না খনখিবা, অদুগা মশানসু খোয়দাজখিবা মেদিসিন, কেমিষ্ট্রি, ফিজিক্স অমসুং খোরিরোল (পীছ) দা পীনবা মাগী উইলদা পল্লম্বনি। মসিনা হেন্না য়ানরবা থিওরি অমা ওইরি। অদুবু অতোপ্পা থিওরি অমসু লৈরি, চুম্বা নৎত্রগা চুমদবা হায়বদুনা তোঙান্না থল্লগা। মতমদুদা অঙ্কগী শীংথানীংঙাই ওইরবা প্রাইজ অমা লৈরম্মী। প্রাইজসি Mittag-Leffler না মতমদুগী নিংথৌ Oscar II দা তক্নদুনা য়ুরোপ শিনবা থুংনা অঙ্কগী প্রাইজ "Scandinavian prize for mathematicians" পীবা হৌখি। অলফ্রেদ নোবেলনা মহাক্কী প্রাইজশিংসিগা অদুগুম্বা অঙ্কগী প্রাইজদুদা চাংদম্নবা পামখিরমদবসু য়াই। মসিসু ৱাশেম-ৱারী ওইনা খন্নৈ।



অঙ্কগী নোবেল প্রাইজ পীদবগা মরী লৈননা হেক হেক ৱারীনরিবা, অলফ্রেদকা নুংশি মরী লৈনখিবী শোফি হেস

**“দ মর্চেন্ট ওফ দেথ”** - বোম শাননবা মচাকশিং, খুদম ওইনা দাইনমাইট পুথোকপগীদমক অলফ্রেদ নোবেল মমিং চৎখি। কুমজা ১৮৮৮দা অলফ্রেদকী ময়াম্বা Ludvig Nobel শিখি, পাউ অসিবু পাউচেশিংনা লান্না ফোঙনরকখি : অলফ্রেদ নোবেল শিরে। ফ্রেঞ্চ পাউচে অমনা মহাক্লা পুথোকখিবা এক্সপ্লোসিভশিংদুগী মতাংদা কন্না নিন্দা তৌরদুনা ইরকখি, " Le marchand de la mort est mort" (দ মর্চেন্ট ওফ দেথ ইজ দেদ)। পাউচে অদুদা মখা তানা ইরকখিবদি, “মীহাৎ থীনা হাৎননবগী পাম্বৈশিং পুথোক্তুনা ইনাক খুল্লকখিবা, ডা. অলফ্রেদ নোবেল ঙরাং শিখ্রে”। পাউসি পারুবদগী নোবেলনা খল্লকখি : ঐবু অসুম্না মীয়াম্না নীংশিংনহৌরগদবা?! থৌদোক অসিনি নোবেল প্রাইজগী মরূ।

**অলফ্রেদ নোবেলগী লাইনীং-লীচৎ** - লুথরনিজম হায়বসি প্রোটেষ্টান্টিজমগী অচৌবা মসাশিংগী মনুংদা অমনি। অলফ্রেদ নোবেলসি লুথরন অমা ওইনা হৌরকখি অদুগা মহাক্লা পেরিসতা লৈরিঙৈদা, পাষ্টর, Nathan Soderblom (নোবেল পীছ প্রাইজ ১৯৩০ ফংখিবা) গী লমজিং মখাদা *চর্চ ওফ স্বিদেন এব্রোদ*তা চাংনাইনা চৎলকখি। অদুবু পাখং মপূং ফারকপদদি এগ্নোষ্টিসিজমলোমদা মায় ওনশিল্লকখি। এগ্নোষ্টিসিজম হায়বসি লাই, দিভাইন নৎত্রগা সুপরনেচরল ওইবা অমা লৈ হায়বসি খঙদবা নৎত্রগা খঙহল্লোইদবা অমনি হায়না থাজবনি। অদুবু পুন্সিগী মতুং তারকপা লম্বীদদি লাই থাজদবগী লম্বীরোমদা চঙশিনখি; অদুবু পুকচেল শেংনা চর্চশিংদা দান তৌবদি লেপখিদে। ●

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### মৈতৈ-পাঙলশিংগী হায়র এদ্যুকেসনদা চাদা ৪ রিজর্ভেসন পীবিয়ু

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

সেপ্টেম্বর ২৭, ২০০৬তা মৈতৈ-পাঙলশিংগী ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা প্রোফেসনেল কোর্স (ডাক্টর/ইঞ্জিনিয়রিং) অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী থবক লৌবদা চাদা ৪ রিজর্ভেসন পীবিরবসু নন-প্রোফেসনেল কোর্স হায়বদি বি এ/বি এস সী, এম এ/এম এস সী অমসুং পি ঐচ দি তম্বদা রিজর্ভেসন পীবিদনা লৈরি।

অদুগা মতম কয়াদগী দিমান্দ অসি তৌদুনা লাক্লবসু ঙসি ফাওবা পীবিদ্রি। মসিনা মাইনোরিটি ওইরিবা মৈতৈ-পাঙলশিংগী অৱাংবা থাক্কী মহে-মশীন হৈবগী চাং অসি য়াম্না নেম্লি। ষ্টেট অসিগী হায়র এদ্যুকেসন রেট চাদা ৩০ ওইবদা মৈতৈ-পাঙলগীদি শুপ্নগী চাদা ৫.২ খক্তা ওইরি।

এদ্যুকেসন হায়বসি য়াওদনা হিংবা য়াম্না লুই অমদি মীওইবা অমা ওইনা পোক্লগদি মহে মশীন হৈত্রগদি অশিবগা চপ মান্নরে হায়বসি ককনীংঙাই য়াওদ্রবা ৱাফমনি, অদুগা তাইবঙপাল অসি চাওখৎলকপগী মতুংইন্না হায়র এদ্যুকেসন অসিনা ঐখোয়গী পুন্সি অসি হিংবদা চঙবা দরকার লৈবা ইকোনোমি, সোসল অমদি গ্লোবেলাইজেসন অসিবু মমায় চুন্লিবনি।

মীপূম খুদিংমক ডাক্টর/ইঞ্জিনিয়র ওইবা হায়বসি ওইথোক্লোই অদুগা লেমহৌরিবা মহৈরোয়শিং অদুগী নন-প্রোফেসনেল কোর্সতা মখা তমথবা তাবনি অদুবু অতোপ্পা এস সীদা চাদা ২, এস টিদনা চাদা ৩১ রিজর্ভেসন পীরগা হেন্না শোথনা লৈরিবা মৈতৈ-পাঙলদনা পীবিদে মরম অদুনা হায়র এদ্যুকেসনদা মহে তম্বগী চাং ৱাৎপনি। করিগুম্বা সেপ্টেম্বর ২৭, ২০০৬তা হায়রিবা রিজর্ভেসনসি পীবিরম্বা তারগদি হৌজিক লৈরিবা চাদা ৫.২ অসি চাদা ২০গী মথক্তা ওইরম্বসু য়াই।

অৱাংবা থাক্কী মহে হৈবা অমদি ইন্টলেকচ্যুএল মশীং য়াম্না ৱাৎপনা মৈতৈ-পাঙলগী কম্যুনিতি অসি অতোপ্পা কম্যুনিতিগী নোক্লফম ওইনা তৌরে, হায়বদি গ্যান লৌশিং পীবিনবা, তাকপীনবা ৱাৎপনা খুন্নাইদা থোকহন্নীংদবা থৌদোক ৱাথোক কয়া থোক্লি, মসিগুম্বা কয়াদগী ঙাকথোক্লবা অৱাংবা থাক্কী মহে হৈবা মশীং হেনগৎহনবা তঙাই ফদে। মরম অদুনা পাল্লিবা লৈঙাক্লা থেংলবসু থেংনা রিজর্ভেসন অসি পীবিরগা শোথরবা মৈতৈ-পাঙলশিংবু মান্নবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা শিনবীয়ু হায়জরি।

ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ১৫ অমসুং ১৬কী মতুংইন্না মণিপুরদা খুন্দারিবা মৈতৈ-পাঙলশিংবু হায়রিবা রিজর্ভেসন অসি পীফম থোক্লবা অদুগা দিসক্রিমিনেট তৌবা য়াদ্রবা ৱাফমনি। অদুগা লৈঙাক্লসু পীবিগনি হায়বগী থাজবসু পীরগা লৈখ্রবনি অদুবু মণিপুরদদি বন্দ/ষ্ট্রাইক অমদি খোঙজং কয়া চঙশিনদ্রিবা ফাওবা মীয়ামগী দিমান্দ পীগন্দবগী চৎনবী লৈ মদু থাদোকপীয়ু।

কাঙলূপ ফুরুপ খায়দবা, অচান-মীরাই নাইদবা, চপ মান্নবা মীৎয়েংদা য়েংবীরিবা লৈঙাক্কী মপু ওইরিবা ওনরেবল সী এম বিরেননা অথুবদা থবক্তা ওন্থোকপীরগা মৈতৈ-পাঙলসু চাওখৎপা অমদি থোং মান্ননবা শিনবীয়ু হায়জরি।

অরোইবদা, এ এম এম এস ও, পি এস ও অমদি অতৈ ষ্টুদেন্ট ওর্গনাইজেসনশিংনা দিমান্দ অসি ফংনবা চঙশিল্লকপা খোঙজং খুদিংমক্তা থৱায় হকচাং য়াওনা শরুক য়াজগনি। মদুদসু দিমান্দ অসি পীবিদবা তারগদি হায় কোর্টতা ৱাকৎচগনি মদুদসু ফংদবা তারগদি সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎতুনা দিমান্দ অসি ফংনবা হোৎনগনি।

***অদোমগী - সকির অহমদ***
সোসল ৱার্কর, ৱাবগাই এ সী

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।